**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) জষ্টিস নোংমৈকাপ্পম কোতিশ্বর সিংহ অমসুং জষ্টিস আর. মহাদেবন ঙসি সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

২) সিত্তিং ৯ লৈগদবা মণিপুর বিধান সভাগী মীফম থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগনি।

৩) মণিপুর পুলিস অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

৪) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্ননা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিগী নহাশিংবু ড্রগকী চৈথেং ফংহন্দনবা অহকপা অমদি অচেৎপা থৌরাংশিং লৌখৎলি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মান্দভিয়ানা হয়েং খেল্লো ইন্দিয়া রাইজিং টেলেন্ট আইদেন্টিফিকেসন ইনিসিয়েতিভকী অনিসুবা ফেজ হৌদোক্কনি।

------

ৱাশক ঃ জষ্টিস নোংমৈকাপ্পম কোতিশ্বর সিংহ অমসুং জষ্টিস আর. মহাদেবন ঙসি সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। ভারতকী চীফ জষ্টিস- জষ্টিস দি.ৱাই. চন্দ্রচুদনা জজ অনিমকপু ফম অদু পায়বগী ৱাশক লৌখি।

সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইদ্রিঙৈদা জষ্টিস নোংমৈকাপ্পম কোতিশ্বর সিংহ জম্মু কাশ্মীর অমসুং লদাখ হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরম্মী। অদুগা জষ্টিস আর. মহাদেবন্না মদ্রাজ হাই কোর্টকী জজ ওইরম্মী।

এসেমব্লি (এল)ঃ  ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৬ শুবা মীফম থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগা মথং থাগী ১২ ফাওবা চখরগনি। সিত্তিং ৯ লৈগদবা মীফম অসিগী অহৌবা নুমিৎতা বিজিনেল এদভাইজরি কমিতিগী রিপোর্ট পুথোক্কনি। শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী বজেৎ ইষ্টিমেট পুথোকপগা লোয়নন্না চহি অসিগী ভোৎ ওন এক্কাউন্টকী মোসনসু পুথোক্কনি। তুংদা রাজ্যপালগী ভাষন মোসন ওফ থেঙ্কসকী মতাংদা খন্নগনি।

পুলিস(এল)ঃ  মণিপুর পুলিস অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চখবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই পুলিস ষ্টেসনন্না কোনবা তেরাফাই-তুইসেনফাইদগী নোংপোকলোমদা তখেল ফাওবগী মফম কয়াদা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং লমলাই পুলিস ষ্টেসনগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক পুং মরিরোম তাবদগী পুং ৭ ফাওবা থিবা হুন্নবগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মরু ১০, করবাইন অমা, মরু মঙা য়াওবা মেগজিন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা য়াওরি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা খোংয়াম হরিকোকথোংগী মফম কয়াদা থিবা হুন্নবগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে। বি.এস.এফকী ১৩১ শুবা জি-কোর, ককচিং সি.দি.ও য়ুনিত অমসুং ৱাংঙু পুলিসকী কাংবু অমনা থি হুন্নবগী থবক চখবদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম করবাইন অমা, ইয়ার গন পিষ্টোল অনি, গ্রেনেদ ৯, দিটোনেতর ৪, টু ইঞ্চ মোর্তার সেল অমা, টু ইঞ্চ সেল বোম অমা,

লোকেল মেদ সেল অমা, ষ্টন সেল ১৩, টিয়ার স্মোক সেল ৬ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া অমসু ফাগৎখি। মসিগা মরী লৈননা ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেরিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাশিংদা হয়েং অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

উখ্রুল (এল)ঃ কেন্দ্র বিদ্যালায়া উখ্রুলগী চহিগী পরিক্ষাশিংদা মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদা মনাশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। স্কুল অসিগী ওথোরিতিশিং অমসুং মহৈরোইশিংগী অহল লমনশিংনা পুন্না পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা সার্তিফিকেট অমসুং মেমেন্টো শিন্নদুনা মহৈরোইশিংগী পুকিং থৌগৎখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওইনা লৈরিবা ওজা অমসুং অতৈ অৱাৎ অপাশিং থা অসিগী ২৭ ফাওবদা মেনশিনবিনবা ওল খা কংলৈ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না সরকারগী মরী লৈনবা লোইশঙশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

সোইল (এল)ঃ রাজ্যগী হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসন বিভাগনা শিন্দুনা স্কিল্লিং এন্দ লাইভলিহুদ প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম হয়েং সিতি কনভেন্সন সেন্তদর পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ্ শরুক য়াগনি।

ট্রষ্ট(এল)ঃ পৌরাবী লাইনিংথৌ কম্ম্যুনিতি হোলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মধু এন্দ সনাহনবী মেমোরিয়েল ট্রষ্ট পৌরাবীনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৯৩ রোম

লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্টনসু মীয়ামদা হাইজিন কিটশিং য়েন্থোকখি।

সেনাপতি (এল)ঃ ইয়ুনিয়ন পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না লৌবা সিভিল সার্ভিসেস একজামিনেসনগী মতাংদা মহৈরোইশিংগা উন্নবগী থৌরম অমা ঙসি সেনাপতি জিলাগী ওল্ড দি.সি. ওফিসতা লৈবা দি.আর.দি.এ হোলদা পাঙথোকখ্রে। কেটচ অপ হায়বা থৌরম অদু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিনবনি। ঙসিগী থোরম অদুদা আই.এ.এস- অনুনৈ আনন্দ অমসুং আই.এ.এস- অরবিন্দ হংলেমনা মহৈরোইশিংদা পরিক্ষা অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী টিচরস ইজ্‌কেসন দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা টিচিং এইদস একজিবিসন অমা ঙসি দিপার্টমেন্ট অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর এন. লোকেন্দ্র সিংহ অমসুং দিপার্টমেন্ট অসিগী ঐচ.ও.দি প্রোফেসার প্রেমলাতা মৈস্নাম শরুক য়াখি।

অমিত সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ভারতপু ড্রগ ফ্রি ওইহনবা হায়বা মঙলান অদু মঙফাওনহনবা ঐখোয়না ৱাশক লৌরে। পান্দম অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা শ্রী সাহনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি নার্কো কোরদিনেসন সেন্টরগী তরেৎশুবা মীফম নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মানস কৌবা নেসনেল নার্কোটিক্স হেল্প লাইন অমসু গৃহ মন্ত্রিনা হৌদোক্কনি। মসিগী মথক্তা শ্রীনগরদা নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী জোনেল ওফিস অমসু হাংদোক্কনি। গৃহ মন্ত্রিনা নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী ২০২৩ গী রিপোর্ট অমসু ফোংগনি।

মীফম অসিদা ভারত্তা দ্রগ লল্লোনবা অমদি দ্রগ এব্যুস থিংনবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাংশিং লৌরিবা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী এজেন্সিশিংনা অমনা অমবু মতেং পীনদুনা অমদি করি করম্বা থৌদাং পায়খৎতুনা অসিগুম্বা দ্রগ লল্লোনবগী থবক অসি থিংবা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নরবা য়াই হায়রি।

চেরোল অমদা গৃহ মন্ত্রালয়না হায়-ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু দ্রগ ফ্রি ওইহনবা লৈবাক অমা ওইনবগী পান্দমদা নার্কো এজেন্সিশিংগী মরক্তা হেন্না মরি ফগৎহনবা, ইন্সটিট্যুসনেল ষ্ট্রকচর মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমদি মীয়ামবু পাক শন্না গ্যান তাহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলবা য়াই।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্নসু কেন্দ্র সরকারনা ড্রগকী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসি তরামা ওক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী বিরেন্না হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিগী নহাশিংবু ড্রগকী চৈথেং ফংহন্দনবা অহকপা অমদি অচেৎপা থৌরাংশিং লৌখৎলি। লৈবাক অসিদগী ড্রগকী সমস্য পুংমুৎ মুথৎনবা অমদি লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লৈবা ড্রগ লল্লোনবশিং থেংননবা পায়খৎলক্লিবা থবকশিং অসিবু মহাকা থৱায় হকচাং য়াওনা শৌগৎপগা লোয়নননা তরামা ওক্লি হায়নসু শ্রী বিরেন্না ফোংদোক্লি।

নক্সলাইট ঃ ছত্তিসগর অমসুং মহারাষ্ট্রগী লোন্নবা মফম গারচিরোলিগী ইতাপালি ব্লোকতা ঙরাং নুমিদাং পুলিস কম্মান্দোশিংনা নক্সলাইটকী মথক্তা ওপরেসন চত্থবদা নক্সলাইট ১২ শিরে। বন্দোলি খুলগী উমংদা পুলিস কম্মান্দোশিং অদুনা থি হুম্বগী থবক চত্থরিঙৈদা নক্সলাইটশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী পুলিসকী মাইকৈদগীসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। মদুদা নক্সলাইট ১২ অদু শিখিবনি।

গারচিরোলিগী এস.পিনা হায়- মফম অদুদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা এ.কে. ফোর্তিসভেন রাইফল অহুম, ইন্সাস রাইফল অনি, করবাইন অমা, সেল্ফ লোদ্দিং রাইফল অমা য়াওনা খুৎলায় কয়ামরুমসু ফাগৎলে। পুং ৬

চুপা নোংমৈ কাপখিবা অদুদা পুলিসকী সব-ইন্সপেক্তর অমগা কন্সটেবল অমগা শোকখি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং ছত্তিসগরদা মাওইষ্টশিংনা এটেক তৌরকপদা স্পেসিয়েল টাস্ক ফোর্সকী জৱান অনি শিরে, মরি অমনা শোক্লে। মাওইষ্টশিং অদুনা স্পেসিয়েল টাস্ক ফোর্সশিং অদুনা লাকপা লম্বীদা আই.ই.দি অমা পোকখায়হনখি। মদুদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

এক্সিদেন্ট ঃ উত্তর প্রদেশকী গোন্দা জিলাদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা চান্দিগর-দিব্রুগর এক্সপ্রেস রেলগাড়ি গুরুং চৎপদা য়ামদ্রবদা মীওই অনি শিরে, ২০ হেন্না শোক্লে। রেলগাড়ি অদুগী দাবা ৬ মনতাপুর ষ্টেসন ময়াগী গোন্দা-গোরাখপুর লম্বীদা তাল্লিদগী নাম্থোক্তুনা গরুং চৎখি। রেলৱেজ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং মফমদুদা থুংখে। এন.দি.আর.এফ অমসুং এস.দি.আর.এফকী টিমশিংসু মফমদুদা চংশিনদুনা মী কনবগী থবক চথখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা লখনৌ-গুৱাহাতি রেল লম্বী থিংজিনখিবদগী রেলগাড়ি কয়ামরুম খরনা চেনখিদ্রে অদুগা খরা অমনা লম্বী কোইথোকা চেনখি। মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যানাথনা মী কনবা অমদি তেংবাংগী থবক হেন্না কনখৎহন্নবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখ্রে।

করনাতক ঃ করনাতক্কী উত্তরা কনারা জিলাগী অনকোলা তালুক্কী মনুং চনবা শিরুর মনাক্কী নেসনেল হাইৱে-৬৬ তা চীং নীংখায়বগী থৌদোক্তা শিবা মীগী মশিং ৬ শুরে। চীং নীংখায়বা অদু শেংদোকপদা ঙসিসু মীওই অনিগী অশিবা হকচাং ফংখি। মী কনবা কাংবুনা ফংখিবা হকচাং অনি অদু অমনা চহি ৬ তা ঙাইরিবা অবনতিকা নায়ক্কীনি অদুগা অতোপ্পা অদুনা থাউ টেঙ্কি গাড়ি অদুগী দ্রাইভরনি। নোং কন্না চুজরবসু এন.দি.আর.এফকী কাংবুনা শেংদোকপা অমদি মী কনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চীং নিংখায়বদগী লম্বী অদু লৈখোম লৈনাং অমদি রোকশিংনা থিংজিনবদগী লম্বী চৎথোক চৎশিন য়াদদুনা লৈরি। চীং নিংখায়বা অদুদা চাগী হোটেল অমা অমসুং

টেঙ্কর অনি ননশিনখিবনি।

বুক ঃ  শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমুনা ভারতকী হেক রাষ্ট্রপতি ওইরকপদগী হৌজিক ফাওবদা ঙাংখিবা মরুওইবা স্পিচ ৭৫ য়াওবা লাইরিক- ৱিংস টু অৱার হোপস ভোল্যুম-ৱান হয়েং নিউ দিল্লিদা ফোংলগনি।

কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণব য়াওবা থৌরম অমদা হয়েং কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ঈ-বুক অসি ফোংগনি। হিন্দি অমদি ইংরাজি লোল অনিমক্তা ফোংগদবা লাইরিক অসি পাব্লিকেসন দিভিজন্না পুথোকপনি।

কিরতি ঃ  কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মান্দভিয়ানা হয়েং নিউ দিল্লিদা সরকারগী খেল্লো ইন্দিয়া রাইজিং টেলেন্ট আইদেন্টিফিকেসন (কিরতি) ইনিসিয়েতিভকী অনিসুবা ফেজ হৌদোক্কনি।

স্পোর্টস মন্ত্রালয়না হায়- কিরতি অসি মতমগী ওইবা আই.সি.টি খুৎশু খুৎলায়শিং অমদি মালেমগী খ্বাইদগী ফবা থোওংশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা লোৎতুনা লৈরিবা শান্ন-খোৎনবগী হৈথোই শিংথোইবা কয়া অদু মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়বু শেমগৎনবনি। মসিনা পীক্লিঙৈদগী অঙাংশিংগী শান্ন-খোৎনবগী হৈথোই শিংথোইবা খঙদোকবগী অমত্তা ঙাইরবা প্লেটফোর্ম অমসু ওইরি। প্রোজেক্ট অসিনা ২০২৪-২৫ ফাওবদা রাজ্য খুদিংমক্তগী শান্নরোই লাখ ২০ খনগৎনবগী পান্দমসু থল্লি।

অহানবা ফেজগী কিরতি চহি অসিগী মার্চ ১২ দা চান্দিগরদা হৌদোকখিবনি। ফেজ অসিদা সেন্তর ৭০ দা পুন্না শান্নরোই লাখ ৩ লিশিং ৬২,৬৮৩ রেজিষ্ট্রেসন তৌখি। মসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্না ১১ দা হৈথোই শিংথোইবা খনগৎখি। মশান্নশিং অদুদি- আরচরি, এথলেটিক্স, বেদমিন টন, বোক্সিং, ফুটবোল, হোক্কি, কবাদি, খো খো, ভোল্লিবোল, ৱেথলিফতিং অমসুং রেষ্টলিংনি।

এদভাইজরি ঃ   বঙ্গলাদেশতা লৈবা ভারতমচাশিং অমসুং লৈবাক অসিগী মহৈরোইশিংদা মপাল থৌরম মন্ত্রালয়না য়ারিবা মখৈ মখোয় মখোয়গীময়ুমদগী চৎথোক্তনবা খঙহনখ্রে। বঙ্গলাদেশতা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা থোকখিবা এদভাইজরি অমদা ধাকাদা লৈবা ইন্দিয়ান হাই কম্মিসন্না ভারত মচাশিংদা খুদক্কী ওইবা মতেং দরকার লৈরবদি হাই কম্মিসন অমসুং এসিষ্টেন্ট হাই কম্মিসনশিংগী পুং ২৪ হাংদুনা থল্লিবা ইম্মরজেন্সি নম্বরশিংদা পাউ পীরকবা খঙহল্লি। ধাকাগী হাই কম্মিসনগী ইম্মরজেন্সি নম্বর অদুদি- **880-19374 00591** নি।

বঙ্গলাদেশতা হৌখিবা চয়োল অনি অসিদা ইং কুমজা ১৯৭১ গী বঙ্গলাদেশ অমসুং পাকিস্তানগী লানদা শরুক য়াখিবা লান্মীশিংগী ইমুং মনুংদা সরকারগী থবক হাপ্পদা রিজার্ভেসন পীবগী ব্বারেপকী মায়োক্তা মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিনদুনা লাকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ইরাং অসিদা মীওই ১০ লৈখিদ্রে অমসুং মীওই ৪০০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে।

সিবিআই ঃ   নিট-য়ু.জি এন্ত্রন্স একজামিনেসনগী ক্বেসন পেপর লিক ওইবগী কেসকা মরী লৈননা সি.বি.আইনা এইমস পাটনাগী মহৈরোই অহুম ঙসি ফাদুনা মচিন হংখ্রে।

এইমস পাটনাগী একজিক্যুতিভ দাইরেক্তর ডাঃ জি.কে. পালনা হায়- সি.বি.আইনা ফাখিবা মহৈরোইশিং অদু এম.বি.বি.এসকী সেকেন্দ অমসুং থার্দ ইয়ার তল্লিবা মহৈরোইশিংনি। মহৈরোইশিং অদু ফাবগা মরী লৈননা এজেন্সি অদুগী ওফিসিয়েলশিংনা মাংজোননা পাউ পীরকখি অমসুং ইন্সটিট্যুসন অসিনসু ইনভেষ্টিগেতিং এজেন্সি অদুদা মপুং ফানা মতেং পীখি। সি.বি.আইনা মহৈরোইশিং অদুগী লেপতোপশিংসু ফাগৎপগা লোয়ননা মখোয়না লৈরম্বা কাশিংসু সিল্ড তৌদুনা থমজিনখ্রে। সি.বি.আইনা মহৈরোইশিং অদুবু মচিন হংনবগী থবক চখরি।

এসসি ঃ   সুপ্রিম কোর্টনা হায়রি- নিট পরিক্ষা অমুক হন্না পাঙথোকপদা নিংথিনা

অমদি নিয়ম চুমা পাঙথোক্কদবনি অমসুং মসিনা পরিক্ষা অদু তশেং তশেংনা অচুম্বা মওংদা পাঙথোকই হায়বদু উৎকদবনি।

চীফ জষ্টিস দি.ৱাই. চন্দ্রচুদনা লুচিংবা কোর্ট অসিগী বেঞ্চনা ঙসি নিউ য়ু.জি. ২০২৪ গী মেদিকেল এন্ত্রান্স একজামিনেসন অরানবা মওংদা পাঙথোকই হায়না ৱাকৎলকপা দরখাষ্ট ৪০ হেনবগী বিচার চথুখি।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা বেঞ্চ অদুনা হায়- সি.বি.আইনা মসি হৌজিক থিজিল্লি। সি.বি.আইনা কোর্টতা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু ফোংদোক্লবদি মসিনা থিজিনবগী থবক্তা অকায়বা থোক্কনি। পরিক্ষা অদু অমুক হন্না পাঙথোকবা অমসুং ৱাথোক অদুগী মতাংদা কোর্ট অমদা থিজিনহন্নবা ৱাকৎলক্লিবা মীওইশিং অদুদা বেঞ্চ অদুনা পরিক্ষা অদুগী ক্বেসন পেপর লিক ওই অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা পরিক্ষা অদু চৎনরোইদবনি হায়বদুগী চপ চাবা প্রমান উৎনবসু হায়খি।

নিংশিংবা য়াই, মে ৫ দা লৈবাক অসিগী অমদি মপান লৈবাক্কী সহর ৫৭১ দা হাংখিবা সেন্তর লিশিং ৪,৭৫০ দা পাঙথোকখিবা পরিক্ষা অদুদা মহৈরোই লাখ ২৩ লিশিং ৩৩ হেন্না পরিক্ষা থাখিবনি।

ত্রিবেদি ঃ বি.জে.পিগী মচিন চৎপা মীশক সুদাসু ত্রিবেদিনা হায়রি- রাজনীতি দল খরনা মতম খরগী ওইবা রাজনীতিগী ওইজবা ফংনবগীদমক হিংশা অমসুং মীহাৎ মীপুনগা মরী লৈনবা ৱাহৈশিং শিজিন্নবা অসি লাইবক থিবনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ত্রিবেদিনা ভারতকী আই.পি.এস ওফিসার ওইরম্বা মীওই অমনা ইবা আর্তিকল অমগী মতাংদা পল্লদুনা মহাকা হায়- জপানগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি সিঞ্জো অবেবু হাৎখিবা অমসুং হন্দক্তা আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি ওইরম্বা দোনাল্ড ত্রম্পতা শিবা য়াবা মওংদা এটেক তৌখিবা থৌওংশিংনা ওইরিবা ফিভম অদু কয়াম লুরবগে হায়বদু ফোংদোকই। শ্রী ত্রিবেদিনা হায়- অসিগুম্বা ৱাহৈ ৱাতাশিং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদসু শিজিন্নবা অসি লাইবক থিবনি অমসুং নুংনাংনিঙাইনি। বিরোধি লুচিংবা ওইরিবা কংগ্রেসকী মকোক থোংবা ল্চিংবা রাহুল গান্ধিসু শ্রী মোদিগী মতাংদা অসিগুম্বা ৱাফমশিং তত্তনা শিজিন্নে হায়নসু মহাকা মরাল শিখি।

অপুরভা ঃ   কেন্দ্রগী হেলথ সেক্রেটরি অপুরভা চন্দ্রনা ঙসি নিউ দিল্লিগী অতল বিহারি ভাজপায় ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস অমসুং ডাঃ রাম মনোহর লোহিয়া হোস্পিতালগী অনৌবা ফেসিলিতিশিং শঙ্গাখ্রে। শঙ্গাখিবশিং অদুগী মনুংদা ওফিস স্পেচ, মেদিকেল মহৈরোইশিংগী রিদিং রুম, ৱেটিং সেদ, ফারমাসি অমসুং ও.পি.দি রেজিষ্ট্রেসন হোলনচিংবা য়াওরি।

ফুটবোল (এল)ঃ ককচিংগী দি.এস.এ গ্রাউন্দদা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দব্লিউ.এ.এল.ৱাই.বি.এ ৱাবগাই অমসুং এস.আর.দি.সি ককচিং পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ু.সি.সি ককচিংনা আই.ৱাই.এ ককচিংবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

------